> “করিনো তাইবঙ? করিনো পুন্সিগী মশক? তশেংনমক, অওইবগী মখোয়গী মরমদা খঙবসি য়াম্না ৱাই।”
>
> *- পাচা মীতৈ (না তাথীবা অহল অমা)*

শেরোং

## লাংবন তর্পন

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লেপ্তুনা চেন্থখ্রিবা
ঈচেল অসিদা
হৈরাং, লৈরাং
চেঙ, থোইদিং
কৎলুসি লাই ওইখ্রবা
ইপা-ইপুশিং অদুগীদমক
লাংবন থানা লাকপসিদা।
লাই ওইখ্রবা অহলশিংদুনা
তাইবঙ ওইবা ঐখোয়গী
ইরত্তদি চঙলকপদি য়াদা
করম্বা জীব অমগী
থৱায় ওইনা
মুনা-মুনা য়েংলকপা।
হে থৱায় নঙনা পেল্লিগদ্রা
লাংবন থাগী হৈকৎ-লৈকৎ তমজবা,
হৈনম লৈনম্না চুরবা
লৈরক খুল্লক পূম্বা
থৱায়শিং অসিগী চাক্তাফম ওইরনি,
চারোল-শুরোল
পুথাং-শুথাং ফাওবা।

## চগ্রীং

**—রোমি তখেল্লম্বম**

মমীৎফাও নীংথিনা পাঙদ্রিঙৈ,
পন্দিটকা শারদনা,
লৈবাক নীংলিসে য়েংঙুনে।
খাঙুথক্কী পন্দিট,
মতৌবু মানখ্রেদা, মমা নীংবা শাবদি,
খৌনাওদগা শিংলি থোক...
লিলাগী থোংলেন শাবগুম।
লেট্টর হেদনা ফুরিৎখাওগী মরুপ ওই,
মাইক্রোফোননা ক্লোরোফোর্ম ওইহনবা।
খূবাক প্রোক-প্রোক...
চুম্মী-চুম্মী ... অচুম্বা ঙাক্তনি,
শোন্নহল্লমই ... মিত্রংগী খোল্লাউদুনা,
শকখঙলে নীংথিনা, লফোই চঙ তাবগুম।
মশা নানবা, মমল য়াম্লবা গাড়ীগী মপু,
ঙকশমদনা সনাগী লীক চাওতক্লা,
ফুরিৎ কুদাম খিত্তংগা থাদোক্লদনা,
শকহেনবী লোয়নবী তুংইঙ্গরক্লি,
মতম অমগী ইচলনি-লৈবাক নীংলিঙৈ।
থোরক্লে কুমজা খরগী তুংদদি,
অফাবা, তল্লকপা পরাশিং,
থবক্তবু ওহ্লোক্লবা...
“মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইহনবীয়ু।”
হয়িং খেবমদা লেল্লক্লবা...
ঙসিগীনা... পেন্দা খোল্লাউগী,
ফৌমাইচাবীশিং ... চোংশিনখ্রে,
অকন-অরিং শীংলদুনা...
তৌজরুবগী মহয়নি।
থেঙ্খাং-থেঙ্খাং খুথীরসু,
ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লাইচুরবগুম,
হেক্তমক চুপশিনখি, হয়িং খোইগুম্না,
মতম হেক য়ৌরক্কান...
চাক চগ্রীং অমনা, চেঙ-চেঙকোক’মা
মাঙথোকখিবগী মতৌগুম,
থৱায়গী মমল মন্তিক্লদনা...
শেংলবা থম্মোয়না কখোকখিবগী,
লংল-লংল থৱান্মীচাকশিং,
মকশিলহল্লি মমিশিং, অহোইনদুম।

## তখেল্লৈ

**—বেবী সোরাইসম**

করিগী লংথোক্লি ঐবু
মমল লৈতবীগুম উফুল্লক্তা
থেল্লন্নগা ঙাইহাক শুমাঙ মথৌবুংদা?
মপু পাল্লি পান্দে থিদনা,
নখূৎতুনা পামজনা হেক্লগা
কৎখিবদুনি ঐসে কোরৌ নহাদা
নঙগী লৈতেংগী শেম্পাক্তা থেন্দুনা।
লোন্না হেক্লগা মহয় চাউই হায়নবা
নমথাক্লা শেম্বা থাজরোলগী মরুমদা
নাথৈদুনা থল্লম্বরা থম্মোয়দা তৌরিবা
লৈরাং লৈখোঙ শোল্লিবা মাগী শিরাপতি?
অপাম্বনা মাঙওইনদুনা কায়নহনবীরবদা লৈখোক্না
ফংহন্দ্রে লৈশাৎ তম্বা ইনীং তম্না,
করম্বা ঐগী ইপাপনা
নঙগী নপাপ কোক্লিবা
ওইরে নঙনা ঐগী খাঙুথক্কী নোংদম্বা।
লৈখোক্তগী ঐবু থৎপদা
উখিদে, খনখিদে য়াওখিবদো
পীবুক্লুংদা পোমজরিবী কয়াসু,
মাঙহনখিবনি অরেম্বদা
তাইবঙ করিনো খঙজদ্রিবীশিং।
নঙনা ফংলবদি থৌজালদু
তাখো খোঞ্জেল থোক্ত্রবা মিকপ কয়া
লৈখোঙ শোল্লিবা মাগী থম্মোয়নুংগী
চীম্বাল কাংবা ঙমদ্রবা
তায়নফম খঙদ্রবা মীচৈসু।
করিগুম্বা তারক্লবা নশাইকোলদা
ঐগুম্বী কনাগী শোক্লবা তেংথাখোল
শীন্থরক্নু নঙগী মিৎলু অনীদা পি,
চিরোলগুম্না থোক্কনি,
ৱাখলতমক ঙাল্লকউ
তাদবা ওইয়ু মিৎকী পিদুদি।

## মাঙলদরা মালেমসে

**—সুভারানি লাই**

লমচৎ-শাজৎ ফজৌ
চাকচা-য়ুথক শেম্মু
কয়ারক হন্না হায়
য়াবা লৈতে নখোয়না
ঙসিদি করি ওইরে।
চাওখৎপগী খোঙথাংদি ফৈ
অদুবু নোংমদি শোয়রক্কনি
কয়ারক হন্না হায়জে, খামজে
তাবীখিদে ইমাশিংগী খোল্লাউ
থোক্লরেদো, ইমাগী খয়াত্তা
কনবা ঙমদ্রে নমা ওইবী ঐহাক্লা
কদোম চেল্লগবু হিংগনি
চেনফম মায়কৈ লৈররোই
মালেম শিনবা থুংলেদো
কাচিন-কোয়া য়ৌরক্কনি।
হায়খিদনা মতম অমদা
‘ক’ না হৌবা লমদমদা লৈয়ু
মদুমক অচুম্বা ওইররে
অসুম্না অসুম মালেমসে
খঙহৌদনা লোইশিল্লদরা
মাঙলদরা মালেমসিবু।

## ইচা লাইফদিবী

**—ডো. অকোয়জম ইবোহল**

নোংমগী নুমিৎ অমদা
ঐগী ইচা লাইফদিবীদো
ফিজেৎ লৈতেং তৌরদুনা
সনা সোরোক য়াংবীথক্তা
খোইনৌ মতা চান্নবীশিংগা
অদুক কোয়বা চৎখিরম্মী;
নুমিৎনা চীংয়া থাংলকপদা
মশুং মমান্নবী ঙম্নমক্তি
হলৱাইরকখি মাগী মাগী
মোংবা হনবা মরানয়াইদা
ঐগী ইচা লাইফদিবীদি
হল্লকপা কৌবা লৈখিদে :
অহিং তাংলৌনদি থেঙজিল্লক
পাইমা পূক্লিং লাংতক্লরকখি
লৈতাফম খঙখিদে ৱাখল মাসু
মওল মওল খল্লকখি
য়ুম্নাক শাগৈ হোংখ্রবরা
নৎত্রগা শাদানবগী লাংদা থুখ্রবরা?
ইনুং শোরা তৈরকখি
খুলগী তাদা মাম্মশিং
লৌরাং শুবা চৎখিবশিংদুনা
থেংনরকখি ইচা লাইফদিবীদো
ৱাখল চোইরবী অমগুম
লৈখোম লৈনাং ইতে তৈ
লন্মীগী চিদাইদা তারম্বদো!
ওহ্লোকপনিদকো হে নোংদম্বা
মখূৎ চল্লবা ইচা লাইফদিবীদো
মথম্মোয় পেন্না শান্নবীরগা
করিসু লৈতে হায়বগী মতাগুম
নারক মোংশোংদা লঙথোকপীরম্বদি
কনসু কনমল্লিদা শারমচৎকী থম্মোয়!
অহিংগী অচিকপতবু খোয়দাজবী
শিঙ্গারৈ লৈরাং কৌবীনা
ফুগাইনা অহিংদা লৈশাৎ তল্লগা
নোংঙাল্লগা লৈমায়দা কেনবগুম
ঐগী ইচা লাইফদিবীসু
চোইজাইননা কেল্লবকো শিঙ্গারৈগুম;
লৈশক লৈচু চঙখোনবী
লৈনম্না লৈকায় পল্লানবী
লৈরাং ওইরুবনা নঙগী নরাল্লা
খাঙুথক্তা পুন্সি পিখম্নৌ তল্লক্লমাল্লে
চাক্লা চাক্লা লেলহৌরগেকো ইপাদি
ঐগী অরোয়বা মিৎকুপ অদুফাওবদা।

## মীকুপ্তুফাও

**—রিতা থোকচোম**

পুন্সি নুংথিল ওইরক্লবা
হকচাং কয়াৎ কয়াগী ৱাকৎনা
পোথাফম খঙলক্ত্রবা মতমসিদা
নঙবু হেন্না নীংশিংলক্লি।
থাবল ফর অহিংদা
থৱান মশীং থিবদা
চোকথবা ফাওদ্রে ইশাসে।
লোইবা নাইবা অহিংনি
লোইখিনি খনবদা
হেন্না লৈতাহন্দ্রে ঐবু।
মসিবু কৌবরা নুংংশিবা!
নহাক্তনা মরোইরে খনখ্রে
মতিক চাদ্রবী ঐনা।
পুদুনা চৎকনি নঙগী নমিংসে
চৎলবসু ঐনা তাইবঙসে থাদোক্তুনা।
পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ্তুফাও
নঙবুদি নুংশিনা শোল্লমগনি।


## কদোমদগী হুন্নকপা শাহুমনো

**—সোবিতা চান্দম**

ইমিৎসিনা য়েংখৎলুই
অতিয়া থক্তা!
উখি ঐনা
নঙগী উইশিল্লবা
মীৎকী মায়থোং!
অখাক অরাওবু নমহত্তুনা
ঐবু কৌরি নঙনা,
অহিং-নুংথিল
থুগাইদুনা মচেৎ-মচেৎ!
তেংথারি নীংবা কায়র খোঞ্জেলনা
পুন্সিবু চেজেৎ কোনশিন,
কৌরি নঙনা ঐবু!
লাক্কনি ঐ শোয়দনা
ইখূৎসিনা হাইদোক্তুনা
অমম্বা লন্মীগী
অথিংবগী পনলোন নমখায়দুনা
মালেম শিন্থুংনা
খঙহনগনি ঐনা
লাকঙম ফাঙমদ্রবশিং নমহৎ!
ওইহনগনি শান্তিগী লৈকোল!
ঐ লাক্কনি শোইদনা
অমম্বা লন্মী
হাইদোক্তুনা ইখূৎসিনা।

মতম মতমগী ৱাখল

# মণিপুরী সিনেমাবু লময়ানখিবশিংগী মফমদা এস এন চান্দগীদমক কচ্চবা



সাপম নোদিয়াচান্দ (এস এন চান্দ)



লাইশ্রম নেত্রজিৎ, ওইনাম বিরমঙ্গোল (ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা)



এস এন চান্দনা ফিল্ম ডিরেক্সন তৌরিঙৈ (ঙকইকো নঙসে)

মণিপুরী সিনেমাগী পূন্সি চহী ৫০ চঙশিনলক্লি । লমদমসিগী সিনেমাগী পুৱারী চীনবুংদা পংলৈ লৈরগসু মপূং ফাবা পাবা য়াবা লাইরিক ওইনা লৈত্রি। মণিপুরী সিনেমাগী হৌরক ৱারী খঙবসু মী পংয়াম য়ামদে । হৌজিক খঙনীংদুনা নাক য়েৎতা, উপনা তাবা উনা লোংনা হাইগৎলগা য়েংলকপদা অখঙবা অহল লমনশিংদি অয়াম্বনা লাইওইখ্রে । মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী, পেনা অশৈবশিংনা শক্লরম্বদগী অইবা হিজম অঙাংহলনা খোমজিন তাশিন্দুনা চেনা লীশিং হেন্না পানবা ‘খম্বা থোইবী শৈরেং’ লেঙদুনা থম্বীরম্মী। কয়াদা মমল য়াম্লিবনো । মণিপুরী সিনেমাগী লাইরিক মচা অমা অনীদি লৈরে। মসিনা য়াদ্রি, মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী লাইরিক ওইবা ঙমদে। মাইকৈ সোমদা খঙনবা, ফংনবা চঙশিনবা অরায়বা নত্তে। লাইগী নোংদম্লি হোৎনবা লেপ্পদি য়াদ্রি। লাইওইখ্রবা অহল লমন নীংশিংদনা মখোয়গীদমক করিগুম্বা অমত্তসু পাংথোকপীদনা ঐনা ঐনা থোকপা তৌনরকপদগী মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী কাওথোকপীবসি লাইওইখ্রবশিংগী থৱায়না ৱারৌগনি। হিংহৌরিবা কয়া অমসু ঙসিগী মীরোন্না মখোয়গী মফম অমত্তসু থম্বীদা, শোন্নবীবদি লাইরদনা ফিলম্‌গা মরী লৈনবা থৌরম অমত্তদা য়াওহনবীনবগী পাউ ফাওবা তাকপীদনা লৈরিবা কয়ানি। চুম্মী, আউদ ওফ সাইদ আউদ ওফ মাইন্দ, উনবু উন্নদ্রগদি কাওই হায়বা পাউরৌসি অচূম্বা খরসু য়াওরি। মীওইবা অমনা কৎথোকচখিবা, মীয়ামগীদমক তৌজরম্বা কলা সংস্কৃতিগী নৎত্রগা আর্ট ৱাকশিং খঙহৌবা উহৌখিবশিংনদি শোঞ্জবা অদুগা খঙহৌ উহৌদবশিংনা শীংথানবিদবা থায়নগী অমনবনি হায়দুনা থৌশাবীরত্তবা মতমদা অহলশিং অদুনা শোয়দনা ৱারৌফম থোকই। মমাঙদা চৎখিবা মখোয়না লম্বেল অমা শেমলম্বনা তূংগী মীনা লাকহৌবনি হায়বসি নীংশিংনরগদি পূম্নমক অফবা ওইগনি।

মণিপুরী সিনেমাগী ৱারীসি মফাং মফাংঙি, মখল মথেলনি। সিনেমা হায়রিবা আর্ট প্রডক অসি হীরম কয়ামূক্লা পুনশিল্লগা শেম্বনি। কম্পোজিত আর্ট ফোর্ম অমনি। মাঙোন্দা য়াওদবা লৈতে, হাপ্লিখৈ চল্লি । মচাক খূদিংমক্কী পূনফম ওইবনিনা প্রডক্সন অমগী টিম ৱার্কতা য়াওমিন্নরিবা মীসি য়াম্মি । সিলভর স্ক্রিন্দা তারিবা শক্তমশিং অদুতক মীয়াম্না খঙনবীরি। শক্তমশিং অদুগী মনুংদসু অমুক মরুওইবা মেন প্রোটাগোনিষ্ট ওইবা করেক্টরশিং অদুনা হেন্না অমুক্কসু খঙনৈ। করেক্টর মচা মচাশিং অমদি ওফ স্ক্রিন্দা লৈবশিংদি মীনা খঙনবীদে । ময়াম অসিগী অপূনবা অদুনা সিনেমাগী প্রডক্সন অমা ওইরকখিবনি।

হন্দক ঈশৈ নোংমাইগী মিউজিকেল টেলেন্ট শো অমগী ইপিসোদ অমখক টিভিদা য়েংবা ফংখি। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোলিউদ ফিল্ম এক্টর অনিল কাপুর অমদি সঞ্জয় খান অনীসু স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। অহল ওইরবা মুসলমান ওক্টো রিক্সো গাড়ি দ্রাইভর অমখকসু শো উৎপা থৌরম অদুদা য়াওখি । মহাক্লা অনিল কাপুর অমদি মাধুরি ডিক্সিদ অনীনা কুমখিবা ‘রাম লক্ষণ’ হায়বা ফিল্ম অমগী ঈশৈ ডান্স এক্তিং তৌদুনা উৎখি । অনিল কাপুরনা ফিল্মদা ঈশৈ শকপদা তৌখিবা কোরিওগ্রাফ আর্ট এক্তিং অদুমক অহল অদুনা মতৌ তমদুনা চোং ফন্দুনা ঈশৈগী শো নীংথিজনা উৎখি। ঙসিদগী চহী ৩০ গী মমাংগী জগোয় ঈশৈ অদুমক অহল অদুনা শারকপদা অনীল কাপুর ফল্লম্বদগী হৌগৎলকখি। ফিল্ম মরোল কয়া কুমখিবনা রাম লক্ষমণ ফিল্মগী শোং সিক্বেন্স অনিলকাপুর কাওখ্রবনি । কুইরবগী তুংদা অহল অদুনা শারকপা মতমদা অনিল কাপুরনা মহাক্কী নহা ওইরিঙৈগী ফিল্ম এক্তিং অদু নীংশিংলকই। অহল অদুদা মহাক্লা করম্না মহাকখি হৌখিবা ফিল্মগী জগোয় ঈশৈগী এক্তিং অদু অমত্তা ৱাৎতনা খঙলম হৈরল্লিবনো হংবদা অহল অদুনা মতম অদুদা মহাক নহা অমা ওইনা সি গ্রেটকুম্বগী কোরস আর্টিষ্ট ওইনা ময়াম মরক্তা ফিল্ম শোং সিক্বেন্সকী জগোয় শাবা মী অমা ওইনা য়াওরমখি। মতম অদুদা ‘রাম লক্ষণ’ হায়বা ফিল্মগী ছুটিংদা অনিলকাপুরগা লোয়ননা জগোয় শামিন্নখি। মহাক্লা শাখিবা অদু ঙসিসু নীংশিংলি অমদি অমুক্তং ময়াম মমাংদা শানিংবদগী শো অদুদা য়াওবা লাকপনি হায়রকপদা অনিল কাপুরনা অহল অদু মিৎতা শং শং নীংশিংলকই। অনিল কাপুরদি মীয়াম্না খঙনরবা বোলিউদ এক্টর ওইরি। চচা অদুদি করিসু নত্তে অদুবু ময়াম মরক্তা জগোয় শাবা য়াওদুনা অনিল কাপুরগী ফিল্মগী শোং সিক্বেন্সদা ফজহনখিবা জগোয় শাবা য়াওখিবা মুসলমান চচা অদুবুদি কনা অমত্তনসু খঙবীখিদে । অনিল কাপুরনফাওবা কাওরল্লি ।

অহল ওইরবা চচা অদুনা মহাক্কী ৱারী মখা তারকই। মহাক ঙসিদি অহল ওইরে, ফিল্ম কম্পেনিগী মীশিংনা অহল ওইরে হায়দুনা জগোয় শাবদা নেকপীদ্রে । মহাক্লসু চঙলুদ্রে। শেম্থোক লৈতবনা ওক্টো রিক্সো থৌরি। নুমিৎ খুদিংগী অনিল কাপুর অমদি হিরোইন কুমখিবী মাধুরি ডিক্সিদ অনীগী ওফিসকী থোঙ্গাল ফাওদুনা পেসেঞ্জর পুরগা হেক হেক চৎলি । মহাক্লদি মখোয়বু উই। লম্বীদা উন্নরগসু খঙদবনা মাবু কৌবীরমদে হায়খি। মিউজিক্কেল ইপিসোদ অসিদা মতম অমগী অনিলকাপুর লাক্কনি তাবদা ওক্টো থৌবা ঙসিগী ওইনা লেপ্পগা ময়ামবু উনিংবদগী থৌরমসি য়াওবা লাকখিবনি ফোংদোকখি । ৱারী অদু তাবদা অনিল মিৎতগী পি ঈরা চেনখি। হল্লকপা য়াররোইদবা মতম অদুগী ৱারীশিং অদু তারুরগা নুংশিনা চাচাবু কোনবীখি । মখোয়দা নত্তনা তারুবা উরুবা মীয়ামশিংফাওবা ঙাইহাক্তি ৱাখল শোন্থখি। ঐখোয়গী পূন্সিদসু অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লিবনি। কয়াদা নুংশিখ্রবা আর্টিষ্টকী পূন্সিনো। নহা ওইরিঙৈ, চেংলৌ হেল্লিঙৈ, কুচু কুমেন নীংথিরিঙৈগী মীয়ামগী মীৎয়েংফম্লি। ঙসিগী হিরো হয়েংগী মপানি, লৈকাই অহন শারক্কনি হায়বসি কাওবা চুমলোই। ঐখোয় খূদিংমক অহল ওইনরক্কনি। মখোয়গী ৱারী ঐখোয়না লিরি, তারি। ঐখোয়গী ৱারীদি হৌরক্লিবশিংনা লীবীহৌগদবনি অদুবু ঐখোয়গী ওইনদি অহল-লমনশিংগা নহাশিংগা শম্নদ্রি। লম্বীদা থৈনবদা কৌরমদবা এক্টর মশীংনা হেল্লকপগুম ঐখোয়গীদি তৌরি। মতাংসি ঐগী ওইনা য়াম্না পেঞ্জদবা অমনি। ঐ ইথন্তনা হোৎনরগা হৈরকই হায়বসি ঐগী ওইনদি হায়হন্নিংদবা অমনি। ঐনা তৌরিবা খূদিংমক অহল লমনশিংনা খঙলম্লোই উরম্লোই তারম্লোই হায়না খনবসু লানগনি। পঞ্জরিবসি হীরম খূদিংমক্তনি। অতৈ হীরমশিং লোইনমক লামশিল্লুদ্রগসু মণিপুরী সিনেমা, মণিপুরী ফিল্মখক্কী নৈনবদা চেনা মশীং ফনা য়াম্বা লাইরিক ওইগনি।

সিনেমা হায়বসি কম্পোজিৎ আর্টফোম্নি হায়জখ্রে। সিলভর স্ক্রিন্দা থোক্কদবা এক্টর অমদি বেক স্ক্রিন্দা লৈগদবা অনীগী অপূনবা পোৎথোক্লি। সিলভর স্ক্রিন্দা থোক্কদবা আর্টিষ্টশিংদি ফিল্ম ছুটিং লোইখিবদা লোইখ্রে। বেক স্ক্রিন্দা লৈগদবশিংদি ছুটিং হৌদ্রিঙৈদগী য়াওরকপসিনা ফিল্ম অমনা মীয়ামদা লাম্থোক্লবা সেন্সর লৌদ্রিবা ফাওবা মথৌ লেপত্রি। ফিল্ম তৌজবশিংনা নিংশা হোন্দোকচবা ফংবসি সেন্সর লৌইবা নুমিৎতনি। সিনে টেক্নিক্সিয়ানশিং, মিউজিক্সিয়ানশিং, মিউজিক কম্পোজর, মিউজিক ডাইরেক্টর, মেকঅপ আর্টিষ্টশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঐখোয়না নীংশিংদে অমদি শোন্নদে । সিলভর স্ক্রিন্দা থোকমিন্নরিবা পার্ট মচা অমখক কুমজবা মহাক্কী মরুওইবা ঐখোয়না থানদবা চূমলোই। মখোয়গুম্বা অমনা লৈখিদবা য়াওরকপদা কাউনখিবনা নীংশিংনদবসু কোঙ্গোই য়াওনৈ । অসিগুম্বা কয়া অসি আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা তৎতনা থোক্লি। মশানা কুম্বা য়াওজখিবা ফিলম মশানা উবা ফংজখিদনা লৈখিদবসু লৈরি। ফিলমগী কাষ্টিং থারকপদসু খেন্নবা থম্মী। মরুওইবা কাষ্টশিংতমক কার্দ অমমম মতম চঙনা, পৈশা তিংনা থারি। মাইনর কাষ্টিংশিংদি পূল্লপ কার্দ অমত্তদা হাপ্লগা পাবা নঙহৌদবা মাখৈ হাপ্লি।

থমজনিংলিবা ৱাফমদি মান্নবা মিৎয়েংদা ঐখোয়না মণিপুরী সিনেমাগী লময়ানখিবা খুদিংমক ইকায় খূম্নবা উৎমিন্নসি হায়বসিনি। ফিল্ম অমদা প্রড্যুশর অমদি ডিরেক্টর অনীসি অৱাংবা থাক্তা ইকায়খূম্নৈ। ফিল্ম ডিরেক্টরগী ওইনদি তোঙান্না ফিদা অমদসু ইকায় খুম্নরি। মণিপুরী সিনেমাগী অহানবা লমজিং লমতাকপা দিরেক্টর অসি এস এন চান্দ নি। অশাংবা মিংদা সাপম নদিয়াচান্দ হায়বনি। শিংজমৈ ময়েং লৈকাইদা পোকখি । মহাক্লা শেমজবা সাজাতিয়া ফিল্ম বেন্নরগী মখাদা মহাক্লা ১৯৬০গী পরিংদগী ফিল্ম নম্বা হৌদুনা ডা কমলগী ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা পুথোকপীখি। ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা ফিলম অমদি সাজাতিয়া ফিল্মস অনীসিগী শাংলবা ৱারী লৈরি। এস এন্দ চান্দ (সাপম নদিয়াচান্দ) অসি ঙসিগী ফিলমগী তাইবংনা অনসং হিরো, অনসং ডাইরেক্টর ওইহনবগুম তৌরি । মীচং য়াওদনা মণিপুরী সিনেমাগী লাম্থেংনখিবা ইকায়খুম্নবদা মতীক চারবা মীশক্লি। অরা কে বিদুরনা মহাক্কী লাইরিক “ৱাখল মচু মচু, শক্তম মখল মখল” অসিদা এস এন চান্দবু অসুম্না শৈথারি, “সিনেমা বিদ্যা তম্বদা এস এন চান্দ একলব্য অমনি, ইন্সটিট্যুত নৎত্রগা অখঙ-অহৈ অমদগী খঙলু তম্লবা নত্তে । ১৯৬৬ তা ফিল্ম সোসাইতি মণিপুর লিংখৎপদা শরুক য়াখি, গ্রেট মষ্টর-ফেলিনি, আইসেনষ্টাইন, কুরোসৱানচিংবগী ফিল্মশিং মুন্না য়েংখি-ফিল্ম খন্ন-নৈনবদা ঙাঙ-শক্লখিবা কয়াদু মপূক্লিং চঙনা তাশীনখি। ১৯৮০ মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মদা ইহান হান্না পাঙথোকখিবা ‘ফার্ষ্ট মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম কনফরেন্স’ তসু মপূং ফানা শরুক য়াখি । ১৯৮৩দা এম কে বিনোদিনী দেবীগী শঙ্গাই, য়াইস্কুলদা থা অমা চূপ্না পাঙথোকখিবা অসামগী ফিলম মেকর পদম বরুৱা, বেঙ্গলগী ফিল্ম স্কোলার, ক্রিটিক-চিদানন্দ দায়গুপ্ত, সমিক বন্দপাধ্যায়নচিংবা শরুক য়াবা ইম্ফাল সিনে ক্লবনা শীনবা অহানবা ফিল্ম ৱার্কশোপ্তসু হকথেংননা য়াওখি । এস এন্দ চান্দ ফিল্ম নম্বগী, পুথোকপগী থবক খক্ত নত্তে, ফিল্ম চাউখৎনবা থবক-থৌরম কয়াদসু কন্না শরুক য়াখি । সেপটেম্বর ১৯৮১দগী এপ্রিল ১৯৮৭ ফাওবসি মণিপুর ফিল্ম দিবেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী বোর্দ ওফ ডাইরেক্টরসকী মেম্বর ওইরমখি।”

চৈচৎ কুমশীং ১৯৮৯ ডিসেম্বর ১২ দা মশানা শেমজরম্বা সাজাতিয়া পীকচরস হুন্দোকলম্লগা তাইবং পানবা থাদোকখি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা পুনম পিকর্চসকী ‘ঙকইকো নঙসে’, থারগা ফিচর ফিল্ম অনী ডিরেক্সন তৌবীরমখি । ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবদা মশামক্লা শকখিবা ঈশৈ অমদি ময়েক নীংশিংদুনা মহাক্কী মফমদা লাংবন তর্পন কৎচরি ।

“ অহিং নীংথিরবী অহিংসে, থাজা কোটি হুরবা থাজসে, য়াম্না পূক্লিং খোয়দাজৈনে। থাবল ফবা মালেমসে ঐহাক্কী পূন্সি বসন্ত, থাবলগী নুংঙাইবা মিৎকুপ্তা, ৱাখলগী ঈপাক্তা তাওজবা, নঙনা লমথুং পীবীরে। নহাক্লা তম্বীবা নুংশিবা, ঐহাক্কী থম্মোয়না খোয়দবা, শক্লিবা ঈশৈগী সুরসে, নঙগী নুংশি খুদোলনি। গুদ বাই, এভ্রিবোদি গুট বাই।” (ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা) ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৬৩

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

সেনিটরি ইন্সপেক্টর তোঙান-তোঙানবা মখলগী থবক তৌবা মথৌ তারম্মী। মহাক ফুরিৎখাওদা ‘লেক্টোমিটর’ হাপ্লগা চৎলি অমসুং রাজহংসোংগী মতৌগুম ঈশিং অমদি শঙ্গোমগী গ্যানগী মতুংইন্না ঈশিং অমদি শঙ্গোমগী খেন্নবা থমদবা শঙ্গোম য়োনবশিংদগী কান্নবসু লৌই। শোক্ল-শম্নবদগী শন্দোরকপা লায়নাশিংগী মরমদা য়াম্না খঙ-হৈবা মীশকনি। মহাক্লা খঙবগী চাং অসি কনাগুম্বা অমগী শিবগী পাউচে পারগা অমদি মনম নল্লগা খঙবা ঙম্মী মদুদি মীওই অদু কোলেরানা নৎত্রগা ‘গেষ্ট্রোইন-ট্রাইটিস’ না নারগা শিবনি। তশেংনমক মহাক্কী পাউখুম অয়াম্বনা চপ মান্নে। লৈবাক অসিদা চান-থক্লবা ফংদবনা মী শিদবা অদুগুম্না শোক্ল শম্নবদগী লৌনরকপা লায়না মখলশিংদগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তা শিবসু লৈতে। মীওই অদুমক চম্না শিজবনি। মীয়াম্না ওইদ-পাদনা উপাই লৈজদ্রবা অনাবশিং অদুগী মমিং হায়জিনবগী ৱানি। মহাক্কী পাউখুমশিংগী ৱাহম্থোক ৱাফম অসিগা চপ মান্নে। প্রোসটিট্যুট অমসুং সাধুশিংগী মতৌগুম লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওইশিংগীসু চহীগী মতাংদা চপচাবা হায়বা ঙমদে; অদুবু ইন্সপেক্টর সাহবকী ওইনদি মশাগী চহীগী মতাংদা মহাক্লা হায়বদা করিমত্তা চিংনবা লৈতে। মহাক্কী অশেংবা চহী ৬২ শুরে, অইবা চেদনা চহী ৫৯ অমসুং য়েংবদদি চাওরাক্লা চহী ৫০মুক শুরমগদবা মাল্লি। মহাক্কী চহী লেঙ্গাশিংগী মরমদা মহাক্লা করিসু থৌওইদনা মশামক নোংজু-নুংশাগুম্না চিংনবা লৈতনা ৱা ঙাঙলম্মী। মহাক য়াম্না চম্বা মখল অমগী য়ূমগী মীওইনি। মীওই অমগা হেক থেংনরগা খুরুমনরবা মতুং ৱারী শান্নদ্রিঙৈদা হায়বনা হাল্লি মদুদি মহাক্কী মমাকনুপা হৌজিক-হৌজিক বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরি। মদুগী মতুংদা হৌখিবা ৱারী অমগী মতাংদা ৱারী শাবা হৌই, ৱারী শাবগী ৱাহৌদোক অদুদি “মমাকনুপা অদুনা বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরকপা মতমদা ঐনা হায় মদুদি ...।”

ৱাফম অসি মফম শিনবা থুংনা শঙ্গোমদা ঈশিং য়ানবগুম পাকশন্না শন্দোকখ্রে। মফম অমদা হেক্তা তাবা ফংগনি মদুদি “মমাকনুপা বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরকপা মতমদা ঐনা হায় মদুদি ইবুংঙো ঐহাক থবক য়াম্না নম্ফু-শাফুদা তৌরকখ্রে। ঐ হৌজিক থবক্তগী পোৎথাহনবিরো। ঐবু মীয়াম মাংদা ৱাহল্লগনু। অদুবু কনা অমত্তনা অহল ওইরবা ঐখোয়গী ৱা তাবিদে! মেম্বর পূম্নমক্লা অহানবমক্তদা লাওরকই মদুদি ৱাহ ! মদুবু করম্বা ৱাফমনো! মমাকনুপানা অচৌবা মী ওইরগা মহাক্কী মখুরানা করমনা মদুগী চৈরাক ফংগদৌরিবনো? য়েংশি, অদোম করমতৌনা থবকতগী পোৎথাগে হায়বদু! মদুনা মরম ওইদুনা মায়কৈ অনীমক্তা ৱাফম খুদিংমক্তা মরৈ য়েৎনৈ। হৌখিবা চহী অহুমগী মমাংদগী থবক্তগী পোৎথারগে হায়দুনা চে থাদুনা লাকপনি। মায়কৈ অমরোমদগী মেম্বরশিংনা চহী খুদিংগী ৱাফম অদু য়াদদুনা লাকপনি। হৌজিক ৱারী অদুমক চৎথদুনা লৈরি।”

হৈনবী অসিগা চপ মাননা অতোপ্পা হৈনবী অমসু মহাক্কী লৈরি। মতম অদু মহাক নুমীৎ খুদিংগী ষ্টেসনদা সিটিদগী লাক্লিবা গাড়িশিং য়েংদুনা লৈ। গাড়ি লাকপা অমদি চৎখ্রবা মতুংদা মহাক প্লেটফোর্মদা চাং নাইনা কোয়চৎ চৎলি- হকচাং ফনবা অমসুং মশাবু মীয়ামদা উহন্নবগীদমক।

ষ্টেসন মাষ্টরসু দ্যুটি তৌদুনা অদুমক লৈ। মহাক্লা কোয়চৎ-কোয়চৎ চৎতুনা ষ্টেসন মাষ্টরগী মনাক্তসু চঙশিল্লি। কোয়তক তাবা টুপি অমা ওপ্লদুনা চৌক্রিদা ফম্মী। অদুগা হংই, “বাবুজি, পেসেঞ্জর গাড়ি করম্বা মতমদা লাক্কদৌরিবনো?”

ষ্টেসন মাষ্টরনা মহাকপু কয়ারক হন্না উখ্রবনি, মহাকপু অমুক হন্না য়েংবগী মথৌ তাদ্রে। রেজিষ্টরদা নোন্থরদুনা য়েংলগা হায়, “ওজা, পুংখায় অমা ৱাৎলি।”

মহাক ঙাইহাক তুমিন্না লৈ। অদুগা অমুক হায়, “অঙাংশিংদি কমদৌরিবগে?”

“ওজা তাইবঙ মপুগী থৌজাল হায়বদুনি।”

মহাক্লা নোল্লুক্লা হংই, “অদোমগী ইমাকনুপা অদুসু অদোমগা লোয়ননা লৈবদাইনে?”

“হোয়, তাইবঙ মপুগী থৌজালনি। হৌজিক টিকেট কলেক্টর ওইখ্রে, য়াম্না ফরে।”

মহাক্লা পাউখুম পীরকই, “অদোমগী ইমাকনুপাসু অফবা থবক অমা ফংখ্রে। অহানবদদি মহাক ভলন্টিয়র ওইরম্মী মতম অদুদা মঙোন্দা মীয়াম্না ফাগী তৌবিরম্মী, কোয়চৎ চৎতুনা লৈ হায়নবিরম্বনি।”

ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা ইন্সপেক্টর সাহব নোক্লকই। অদুগা হায়, “হৌজিক্তি ঐহাক মহাক্কী মতেংনা হীংলিবনি। থবক্তগী পোথাবা পাল্লে। অদুবু মহাক্লা পোথারগে হায়বসি য়াদ্রি।”

ষ্টেসন মাষ্টর রেজিষ্টরদা য়েংদুনা অদুমক লৈ। মহাক্লা অমুক হন্না হায়, “চহী অহুমদগী অসুম্না অদুমক লাক্লবনি। ঐহাক থবক অসিদগী তোঙান্না লৈবা পাম্লবনি, মহাক্লা হায় মদুদি এক্সপিরিয়েন্স লৈবা মীশিংগী অৱাৎপা লৈ, অদোমসু অঙকপনি।”

ষ্টেসন মাষ্টরনা হায়, “অচৌ-অচৌবা নেটা কয়া অমসু লৈরি। মখোয় তশেংনা কয়ারক হন্না থবক্তগী পোৎথাবা পাম্লবনি অদুবু মহাক্লা লোয়নরিবা মীওইশিংনা মখোয়বু থাদোকউ হায়বা য়াদে।”

মহাক অমুক হন্না নোকই। অদুগা হায়, “তশেংনমক ফীভম অদুগা চপ মান্নে। শুপ্নগী খেন্নবা অমা হায়রগদি ঐবু থবক্তগী পোৎথাগে হায়বদা য়াদ্রিবা অসি ঐঙোন্দগী য়াম্না ৱাংনা লৈবা মীশকনি। মখোয়বু থিংলিবা অদুনা য়াম্না নেম্বা মীওইশিংনি।” মহাক য়াম্না কন্না নোক্লকই। ষ্টেসন মাষ্টর রেজিষ্টরগী লমায় হাংদুনা লৈ।

মতম খরগী মতুংদা সেনিটরি ইন্সপেক্টর সাহবনা খঙলকই মদুদি ষ্টেসন মাষ্টর মশাগী থবক্তা য়াম্না থৱায় য়াওখ্রে হায়বা। মহাক্লা লাক্লবা মতুংদা চৌক্রিদা ফম্বদা মহাক পীশুম শুকতোল্লদুনা রেজিষ্টরদা য়াম্না মুন্না য়েংদুনা লৈবা থেংনৈ। করি-করিগুম্বা মতমদনা মহাক পেন্সিল অমনা চেদা খায়দোকপা-তিনশিনবগী থবক তৌদুনা লৈরম্মী। রেজিষ্টরদা য়েংবগী থবক্তি হান্নদগী অদুমক তৌদুনা লাক্লবনি অদুবু পীশুম অনীগী মরক্তা শুকতোকপগী তারিবা মমি অমসুং পেন্সিল শীজিন্নবগী মওং তশেংনা অনৌবা মওং অমদা তৌরে। মদুনা তাকপদি ষ্টেসন মাষ্টর থবক য়াম্না কনবা মওংদা লৈখ্রে হায়বনি। মতম অদুদা ৱাহং-পাওখুম মতৌ অসুম্না চৎথনরম্মী -

“ঙসি ঙরাং অদোমগী নাক্তা থবক য়াম্না লৈরবরা?”
“হোয়।”
“অদোম নুংঙাইবিরিকো?”
“নুংঙাইরি।”
“গাড়ি করম্বা মতমদা লাক্কদৌরিবনো?”
“রাইট টাইম।”
“অদোমগী ইমাকনুপা লখনৌদা লৈরিবা নৎত্রা?”
“হোয়।”
“অদোমগী ইমাকনুপাদু হৌজিক্কী মতম অসি ...”
“হোয়।”
“চ্যেরমেন ওই।”
“হোয়।”

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।